# অরীবা ৱা অমগী অনৌবা চাংয়েং

নিংথৌ ওইগদবা পুংফম, কোরৌ অদু ঙাইদুনা লৈরবা রাজকুমার সিদ্ধার্থ, নোংমা অহিং অমা মাগী নুংশিরবী শকহেল্লবী লোয়নবী অমদি নুংশিরবা মচানুপা, মমা-মপা পূম্নমকপু থাদোক্লম' অকে-অমৌ-নুংঙাই-য়াইফনা থল্লবা কোনুং'-পূন্সি তুংওইনরল্লগা অমুক হন্না ময়ূমদা হল্লক্তনবা ফিরেপ অমগা লোয়ননা থোক্লকখি। মসি থোক্লরগনি হায়বা মহাক্কী অপোকপা মপা নিংথৌদুনা খঙখি হান্না মাঙজৌননা। মহাক পোকপা নুমিত্তা, সনা কোনুং মনুংদা পূম্লাং লাং, হরাও তয়াম ফোঙদোক্লিঁঙৈ, তুংলমচৎ উবা ঙম্বা/হায়বা ঙম্বা পাঞ্জিদুনা হায়খি মপা-নিংথৌদা... 'অঙাং অসি নোংমদি মশক নাইবা অচৌবা মী অমা শোয়দনমক্কী ওইরক্কনি, - মমিং চৎপা নিংথৌ অমা নৎত্রগা মঙালতনা ফূদোঙলবা লাইনীংবা অমা'...। পাখৎলবা মপা নিংথৌনা কোনুংগী অঙম-অথৌ পূম্নমক্তা য়াথং তৌখি - 'অঙাং অসি সনা কোনুংসিগী ৱাংমদা পুথোকপা য়ারোই, তাইবঙগী অৱা-অনা মশক খঙহনবা য়ারোই'।

হায়নৈ- মীনা নীংবনা অমা, লাইনা তম্বনা অমা। হরাও-কুম্মৌ, জগোয়-ঈশৈনচিংবা নুংঙাই-য়াইফ-ঈরাংনা থল্লবা পূন্সি-মরেল অমা লেলহন্দুনসু সিদ্ধার্থপু তাইবঙগী অৱা-অনাদগী লাপথোকহনবা ঙমখিদে। নোংমা, মহাক্কী দোলাইপাবদুদা হায়খি- 'চৎসি, মপানগী তাইবঙ য়েংলুসি।' মীওইবগী তোঙান তোঙানবা উহৈদ্রবা শক্তম মরিখক্লা সিদ্ধার্থগী পূক্লিং ওলহনখি। (১) ফিরেপ চুম্না চৎঙমদ্রবা অহল অমা। মী ওইনা পোক্লরবা, থৱায় পানবা পূম্নমক্লা নোংমা শোয়দনা মায়োক্লরগদবা পূন্সি তাঙ্কক অমা; (২) মশা শোল্লবা অনাবা অমা! লন্বীগী চিদাইদা নাহেদুনা লৈহৌরিবা, পাম্বৈ লৈত্রবা, তিনচেন্নরবা অনাবদু উবদা খনখি - ফীভম অদু কনাগুম্বা অমদসু হেক্তা ওইরবা য়াই; (৩) থৱায় য়াওদ্রবা অশিবা হকচাং অমা! অহাঙবা লন্মাং অমদা ফুমগদবগী পুরিবা অশিবদু উবদা হংখি - 'করিনো'সিদি? দোলাইপাবা চন্না'না খুমখি - 'নঙসু ঐসু, মাসু - মীওইবা খুদিংমক নোংমা শিরগদবা শোয়দ্রবনি, মীৎকুপসিদগী কনাসু নাম্থোক্তুনা চৎঙল্লোই; (৪) মশানা মশাবু কাউথোকচনবা হোৎনরিবা, মমিৎ উইশিন্দুনা ফল্লিবা লম্বোইবা অমা! মহাক উবদা খনখি - অচুম্বা থিরিবা, মীওইবা অশেঙবদি মহাক্লি।

মীওইবগী শক্লোন মরি অসি উরুরবা তুংদনি - সিদ্ধার্থ (গৌতম) না হান্নগী পূন্সি তুংওইনরম', অনৌবা পূন্সি অমা লেন', অচুম্বা থিবই খোঙচৎ অমা চৎলকখিবা। পাক-চাউরবা তাইবঙসিদা, মায়কৈ সলাই খঙদনা কোয়না থুংনা চৎখি, পম্থুং লৈত' খোঙচৎ অমদা থিখি মহাক্না অচুম্বা মশক তাকপীবা ঙম্বা গুরু অমা। খঙলকখি - তাইবঙগী অচুম্বা মশক খঙনবা, থিরুগদবা নত্তে অতোপ্পদা। থিজগদবনি ইশাদা, থিজগদবনি ইশাদা। অকে-অমৌগী পূন্সি অমদি পৎ তৎনা লায়রবা - অনীসিগী মরক্তা চৎলিবা পূন্সি লন্বী অদুদনি মহাক্না চৎলিবা। গুরু থিবই খোঙচৎতুদা মশামক গুরু ওইরকখি। তূম্লম্বদই মীকপ থোক্লবা, মঙলান মশক খঙলবা মীশক অমা ওইরকখি। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ, লাইরিকশিংদা তম্লকখি - মশাগী চহী কুম্থ্রামঙা শুরকপা, কোরৌ নুমিৎ নিফুমাপন, করিমত্তা চাদ'থক্তনা ধ্যান তৌদুনা ফম্লুরবা মতুংদা, সিদ্ধার্থ (গৌতম) - অরান-খুভম ফংলবা, মঙাল-নাইবা-লৌশিংবা (বুদ্ধ) অমা ওইরকখি। 'অরান-খুভম-ফংবা' হায়বসি করিনো? পূন্সিসিদা অদুগুম্বা মীশক অমত্তগা ঙসি ফাওবা থেংনরক্তবনা খঙদে - মহাক করম্বা মীশক্লো?

ঙসি ঐনা 'বুদ্ধ' গী মরমদা ৱারেং অমা ইনীংলুরিবা - ঐগী মরুপ অমগা ৱারী অমা শারুবা, অফাওবা/লৌশিংবা মীওইশিংনা হায়রম্বা ৱাহায়, লৌশিং-পূক্কে ওইবা য়াবা ময়াম খোমজিন্দুনা লাইরিক অমা ফোঙগে থৌরাং তৌরুবা ... ময়ামদুগী মরক্তা 'বুদ্ধ' গী ৱাহায় কয়া অমা য়াওরম্বদুদা, মাগা ঐগা ৱারী খরা শানখি। মরৈ ওই, করি ওই ৱা খরা ঙাঙনখি। মহাক্কী ৱাখল, 'বুদ্ধিজম' কান্নদবা/চন্নফম খঙদবা ৱাখল্লোন অমনি হায়বদুদা কন্না ইনশিল্লকপনি'। বুদ্ধগী 'ইজম'দু শৌগৎপা নত্তে ঐনা য়ানীংবা বুদ্ধগী ফিদম খরা, তানীংদবা মাগী নাকোংদুদা তাহন্নবা হোৎনখি। কোক অনী কম্যুনিকেট তৌনবা মরী (ৱায়র) শম্নদ্রে খঙবদগী ঐহাক ৱারী মখা তাখিদে। অসিগুম্বা অর্গ্যুমেন্ট, কান্নদবা এক্সর্সাইজ অমনি হায়বসি ঐহাক, মমাঙদা এক্সপরিএন্স তৌখরে। অদুবু, নুমীত্তুদা লীহৌদ্রবা ৱারী অমা, মহাক নত্তবা অতৈদা লীনীংবা অমা ফাওরক্তুনা ৱারেং অসি ইরিবনি। বাই চান্স, মহাক্লসু পাবীরম্বা থোক্লবা, ঐগী ওইনদি লাইবক ফবা মীকূপ অমা হায়বদু শোয়দনমক্কী ওইগনি।

বুদ্ধগী পূন্সি, ফিদম অমদি পাউতাকশিং - তম্বীবা নত্তে মীঙোন্দা। কনাগুম্বা শকউদবা, লৈ-লৈতে খঙদবা লাই অমা শক্তাক্তুনা মাবু নীংনবা 'লাইনীং লন্বী অমা পুথোক্লম্বসু নত্তে। মহাক্কীদি - 'মশানা মশাবু মশক খঙহনব'নি, তূমদুনা লৈবা কনাগুম্বা অমবু মীকপ থোকহনবনি। কনাগুম্বা অমত্তদা 'মসি তৌ/তৌগনু' পাউতাক্তে। স্বর্গ নৎত্রগা নোরোক'কী লন্বীদুসু তাক্লমদে। মহাক্কীদি তাইবঙগী অচুম্বা, অশেঙব'দু মশক তাক্লবা হোৎনবনি। মহাক্কীনা অচুম্বনি, অতোপ্পগীনা অরানবনি - হায়দে কৈদৌনুংদসু। মরম অসিনা, লাইনীং-লন্বী (রিলিজন) অমত্তনা চত্তে মহাক্কী লন্বীদা। থাজবীয়ু - বুদ্ধগী ৱাহায় তারুরবা/খঙলুরবা কনামত্তনা লাই খুরুম্নবা/লাইশোন শোন্নবইদমক্তা মন্দির/মসজিদ/চর্চ অমত্তদা চৎলোই কৈদৌনুংদসু। অমোৎপা লৈমায় শেংদোক্তুনা তৈথোক্লিবা, চাকখুমদা চাক থোংলিবা, চরৈ-ফি-শূরিবা, অমোৎপা হকচাং চামথোক্লবা ইরুজরিবা, লাইরিক অমা পারিবা, থবক অমা তৌরিবা, চোকথরবা হকচাং তেকখৎনবা ফমুংদা তূম্বা চঙলিবা... পূম্নমক লাইশোন ঙাক্তনি। ঈশ্বরগী মগুণ শকপদি লাইশোন নত্তে অশেংবা। কনাগুম্বা অমগী থৌজাল মীৎয়েং ফংনবা তাৎকী প্রাক্টিস তম্বীবনি।

ৱারী অমা নীংশিংজগে। বুদ্ধগী খ্বাইদই অশেঙবা, অচানবা মনাইনি হায়নবা 'আনন্দ'। তাবীরম্লগনি শোয়দনা অদোম্না করিগুম্বা বুদ্ধগী ৱারী পাবীরম্লবা। আনন্দ'না বুদ্ধগা লোয়নদুনা পূন্সি লেনমিন্নখিবা - পূন্না চহী নিফুনি। চৎলে, ফম্লে, চারে, তূম্লে - মীকূপ'মত্ত থানদ্রবা বুদ্ধগী মমি অমগুম লোয়নখিবনি চহী নিফু। আনন্দ - অতোপ্পা মফম/খুঙ্গং অমদগী খুল লাম্লক্তুনা, বুদ্ধগী তুংইনবা ওইদুনা বুদ্ধগী মনাই ওইরকখিবা নত্তে। আনন্দ-সিদ্ধার্থগী পোকমিন্নদবা মচিল-মনাওনি। ময়াম্বনি বুদ্ধগী। বুদ্ধনা মঙাল নাইবা মীশক অমা (এনলাইটন) ওইরবা মতমদুদা 'আনন্দ' লাকখি হায় গৌতম বুদ্ধগী মনাক্তা... 'ঐবুসু মহাক্কী তুংইনবা/শিষ্য ওইহনবীয়ু... নয়াম্বা অমা ওইরবসু ঐহাক্না নহাক্কী শিষ্য ওইরবা নঙনা হায়বদুতনি ইন্দৌরিবা ঐহাক্না... মৈনুংদা চোঙশিনগনি, ঈপাক্তা কূম্মু কূমগনি, নঙগীদমক থৱায় থাগনি'...।

'অদু, ঐবু কৈদৌ হায়বনো'? ঈংনা খূম্লকই বুদ্ধনা।

'হৌজিকমক্কী ওইনদি নয়াম্বনি ঐহাকসে, নঙনা ঐগী ইনাওনুপা'।

'কনানা নত্তে হায়রগে'?

'মনাও অমগী ধর্ম্মদি ময়াম্বগী য়াথং ইনবনি, ঐবু নঙগী শিষ্য ওইনা লৌশিন্দ্রিঙৈ ইনাও অমা ওইনা নহাক ঐনা হায়বা ইনগদবনি'।

'তাকপীয়ু য়াম্থুং! করি তৌজৌ হায়বনো'?

'ঐনা নঙগী তুংইনবা ওইরব'তুং ঐহাক মতম চূপ্পা' নঙগী নাক্তা লৈগনি - নঙনা চৎপা মফম খুদিং নমিগুম নতুং ইনগনি, তূম্লে-হীপ্লে-চারে ননাক্তা লেঙদনা লৈগনি... ঐবু নঙগী ননাক্তগী কৈদৌনুংদা তাম্থোকলোই, ঐবু কৈদৌনুংদা থাদোক্লোই হান্না ৱাশকউ'।

'ৱাশক্লে! য়াম্থুংনা নীংবদুমক থুংহনজগনি'... অনীমক খন্থবা তৌদনা হাদোরক্লে বুদ্ধ'না। আনন্দ নুংঙাইবই পনখৈ লৈখিদ্রে।

মখাদি, খঙবীরবা ৱারীদুনি। চহী নিফু বুদ্ধ অমদি আনন্দ মীৎকুপ'মত্তা থাদোক্লখিদে। আনন্দগা বুদ্ধগা নক্লখিবা অদুগুম কনাগসু নক্লখিদে। নক্লমনখিবা অদুনা 'বুদ্ধ' বু মশামক্কা অমত্তা ওইনা লৌরকখি, গুরুনি হায়বা কাউথোকখি, বুদ্ধনা পীবা পাউতাকশিং ওইগী নাকোংদা হাপ্লগা য়েৎকী নাকোংদা থাদোকপগী থৌওংদুমক তৌরকখি। ওইরক্লিবা মওংদু শেংনা খঙখি বুদ্ধনা। অদুবু, নোংমতসু বুদ্ধনা ৱারক-ৱাতেম তৌখিদে। খঙহৌদনা নোংমদি বুদ্ধ'না মহাক্কী হকচাং থাদোক্তুনা চৎখরে, কনাদসু মাঙজৌননা তাক্লমদ'।

বুদ্ধগী মতুং ইল্লম্বা ময়ামদুগী মরক্তা কয়া অমদি 'মঙাল-নাইবা-লৌশিংবা' অমা ওইরগা, মহাক্কী খ্বাইদই নক্লবা 'আনন্দ'দি ওইখিদে।

নোংমগী নুমিৎ অমদি মাগী অচানবা শেবক ময়াম পূন্দুনা ৱারেপ্নরে...'গুরুদেবনা পীরম্বা, তাক্লম্বা পাউতাক অমদি অচুম্বশিং, কনাদা করি হায়রম্বা, খোমজিন্দুনা থম্লসি, নুঙপাকথক্তা হক' ইদুনা থনম্লসি তুংগী মীরোল কয়াদা মূৎনাইদা লৈহৌনবা'। অদোম হান্না তাবীখ্রবরা ৱারীসে ... 'মশীং য়াম্লবা তুংইনবশিং কৌদুনা খোমজিনখিবা পাউতাকশিংদুই মরক্তা আনন্দ'দগী লৌহৌবা ৱাহায় অমত্তসু য়াওখিদে... মীফমদুদা মহাক কৌখিদে'...। মরমদি, পূম্নমক খঙই-আনন্দ'না তাহৌবা বুদ্ধগী পাউতাক-ৱারীশিং, নোংমতসু পূন্সিদা পানশিন্দুনা য়েংখিদে, অচুম্বা মশক খঙখিদে।

ঙসি, ঐখোয় তম্না য়ৌরক্লবা বুদ্ধগী ৱাহায়শিং, মহাক্কী তুংইনবশিংদুনা হকথেংন' চাংয়েংলবা ঙাক্তনি। অদোম্না থেংনবা মাগী ৱাহায় অমত্তং, ইশাদা পানশিন্দুনা য়েংবীয়ু-অচুম্বা/অরানবা লেপথোকপীয়ু। অনৌবা চাংয়েং অমনি।

*-ইন্দ্রকুমার*

# নেসনেলিজমগী ঈরিক চেল্লিবা, পোক্লফম নুংশিবগী ঈহুলনা শৈরাংলিবা,
# লীক্লম কায়ফদ্রবা তাইবঙপালগী খোঙচৎপু নৌহৌনা শৈথারিবা শৈরেং লাইরিক 'নোংশারেন খোল্লাউ'

গোপেশ্বর ঔগ্রিথেনবা খাঙেম্বম শাগৈদা কুমজা ১৯৫২দা পোকখি। অপোকপগী মিংনা খাঙেম্বম গোকুল, অপোকপীগী মিংনা সিনাম নিঙোল খাঙেম্বম ওংবী কুঞ্জলতা কৌই। হৌজিক-হৌজিক চন্দ্রখোং ঔগ্রিথেন লৈকায়দা লৈরি। অইবগী ফোঙলবা লাইরিকশিংদি ১) ঙসিগী লৈবাক্লে (শৈরেং ২০০৬), ২) নাকেন্থাদা চুরকপা নোং (ওদিও দ্রামা ২০০৯), ৩) মৈ পুবা নুংশিৎকী শাহুম (শৈরেং ২০০৯), ৪) মী নহাগী পাউখোঙ (শৈরেং ২০১২), ৫) ইমাগীদমক্তা (শৈরেং ২০১৫), ৬) নোংশারেল খোল্লাউ (শৈরেং ২০২৩) নি।

ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিংবু মতম পূম্বদা নীংশিংলি ঙসিগী মীরোলনা। কাউবা লৈতে ওগষ্ট ১৩না লাকপা খুদিং। ফৈদা পুঙদা নোক্না-নোক্না ফাঁসি শগাই কাখিবা করম্না কাউগনি লমদম অসিগী মীয়াম্না পুৱারীদা সনাগী ময়েক্লা ইদুনা লৈরবা নুমিৎ অদুবুদি। তৌইগুম্বসুং অনৌবা লোইলম লৈঙাক্কী ফিবান্নুংদা তিল্লুবা মীৎকুপ্তগীদি মতিং লৈনা হিংলম্বা খুন্নাই অসিগী মশক অসি ওইদ-পাদবা লৌনম-নমথাক্কী লৈঙাক্লোন অমদা লাকপদা লমদম অসিগী মীয়াম, খুন্নাই অসিগী মীওইশিং য়াই থারবা মীওইগুম, হংগী লাইফদিবিগুম মশাগী ওইবা ফিরেপ অমসুং মপূং ফাবা ৱারেপ অমা ফাওবা নিংথিজনা লৌবা ঙমদনা লাক্লি। কাঙলূপ কয়ানা খুন্দারিবা লমদম অসিদা শীংচেপ থাজিল্লক্লি পোলিটিকেলগী। খায়বুং-খায়বুং তাহন্দুনা অমগা-অমগা থাজনদবা হেলহল্লক্লি। মসিদা পোলিটিক্স শান্নরি। মীখল অমসুং ভোট অসিদা অদুম্মক পঙথদুনা লাক্লি। লায়রবগী পনখৈ ৱাংমা লান্না অদুগা মসিদগী হৌগৎপা ঙমদনা লৈহন্নীংই অনৌবা লোইলম মপূনা। নুংশিবা শাদুনা তেংবাঙগী পোৎলমশিং অমসুং শেন্থং পীথবা শারি। কানি পীজদুনা হৌরক্লিবা নহারোলশিংবু মজাতি মমা লৈবাক নুংশিবা, ইফূরুপকী ৱাখল খনগদবদু লাপ্না লৈহল্লি। থবক শূনীং-নোম্নিংবা ফাওহন্দে সিষ্টমসিনা। তন্লিবা লাইরিকশিংদা ইশা মশক খঙনবা ইরমদম নুংশিনবা মখলগী লাইরিক কয়া সিলেবসতা হাপ্তে। মমিংতগী ওইনা খরা হাপ্পনা মপূং ফাদে। অসিগুম্বা লুরবা লৈবাক্কী ফীভম অসিদা অইবা গোপেশ্বর তূমিন্না লৈবা ঙমদে। অইবা অমা ওইরুবা অশৈবা অমগী হৌনশা অশেংবদু ফোঙদোক্লিংলকই। পাউজেল পীনীংলকই শৈরেং ওইনা। লমদম অসিগী শামু পাঙ্গল্লবা থৌনা ফরবা নোংশাগুম্লবা মীরোলদা য়াকায়রোল শৈরোল অমত্তং শকনীংলকই। অদুনা লাইরিক্কী মিংথোল ওইরিবা শৈরেং 'নোংশারেন খোল্লাউ' দা মরিংজেল খারবা অথৌবশিংবু চোঙথোকহল্লক্তুনা লাউহল্লক্লি মীকপ থোক্লবা কংলৈচাশিংবু *'খা-চীক্লিবা কৈসুম শঙদগী/খাক্লা-খাক্লা নোকপা ফৈদা-পুঙদগী/নোংশারেন খোল্লাউ লাউরকই/"ইমাগীদমক ঐখোয় হিংলি/ঙসিসু লাউরি- "ইবুধৌ পাখঙবগী য়াথং ঙাক্কনি/পাঙ্গল ফূক্লা হাইগৎলিবা মঙ্গে - থেঙ্গুসি/হাইথগনি য়েক্লবগী লুৱাইমক্তদা... মূথৎকনি খোঙনেৎকাম্বশিংগী খোঙ্গুল/ফিরাল মখোঙ মাঙদ্রিবা লৈমায়সিদগী/..."*

*"পন্থৌ শঙ্গাইগী ফম্লেন ফমজাউদা/তূমখুনগী নিংশা হোল্লিবা 'য়াম্বখোয়/নখোয়সু/ য়াকায়-ফৈজুপ হাইদোক্লো/নুমিৎ ৱাতোন-লোম্লফাও/ফিরু-ফিরাং খুমদুনা/করম্বা মঙলানগী মীৎ উইশিল্লিবগে?"* (লা: ৮৩) ৱাহং চান্মা হংনীংলকই কবিনা করিগী অসুম্না লমদম অসিগী মীওইশিংনা নিংঙাইদনা তূমদুনা লৈরিবা। ইমা লৈবাক্কীদমক ঐখোয় হিংবা তাবনি। মরমদি ঐখোয় থৌনা ফরবা অথৌবশিং অদুগী চাদা-নাওদা ঙাক্তনি।



গোপেশ্বর ঔগ্রিথেনবা

লাইরিক্কী মমিং :-
নোংশারেন খোল্লাউ
অইবা :- গোপেশ্বর ঔগ্রিথেনবা
অফোঙবা :- য়াইরিপোক থম্বালনু
সাহিত্য মরুপ কম লাইব্রেরি
লাইরিক্কী মখল :- শৈরেং
লমায় মশীং :- ১৩১
লাইরিক্কী মমল :- লুপা ২৫০/-
লাইরিক্কী মখুম :-
ভোগিন





মণিপুরী খুন্নাইগী হোংলক্লিবা অদুগা হোংহন্নিংদবা মচৎ অমদা যূম্ফম ওইদুনা ইরকপা শৈরেংনি 'লাই-লম্লানবা ফিরোল'। শৈরেং অসি অসুক্কী মতিক ৱাহম্থোক লৈ। হৌজিক হৌজিক ঐখোয়গী কলচরদা ত্রেদিসনদা লাক্লিবা অহোংবশিং ময়েক লানা ইরক্লি। অশেংবা হায়রুরবদি শাওনরক্কনি। করি থোকএনা ইরিনো হায়নরক্কনি অদুবু অচুম্বদি উৎনা ৱাইনা খুমদুনা থম্বা য়াদে। মীতৌ তম্লগা লেমজবা ফজবা ওইনা খল্লি। মীগী মমা মশক ফজবীদা ইমা কৌনীংবা মতাং কয়া থোক্লক্লি। মরমদি ইতৈমা থোকপদা ভাবি কৌবনা হেন্না ফজবা ওইনা খল্লি। ইদোমচা কৌগদবদা অন্টি কৌনরক্লি। ইচল-ইচেবুনা সিষ্টর কা হায়দনা মিঙ্গৌনরক্লি। অদুগা ইয়াম্বা ইনাওশিংবুনা ব্রো কা হায়দনা। মসি পূক্লিং থৌগৎনীংঙাই ওইদে হায়বদুনি অইবনা শৈরেং অসিদা হায়নীংলিবসি। লৈবাক্কী লুচিংবা মিংথোল শীজিন্নদুনা মীরমগী পাউতাক্তা লৈঙাক্লিবা ফম্নাইবশিংবুসু সেটাইয়রদা ইরক্লি মখোয়না পোংজবা ৱাঙাঙ কমজাও হুন্দুনা লৈবাক নুংশিবা শারিবা মতৌ পূম্নমক। ফজরবা ফিরালগী সিম্বোলদা মীখলগী মিংদা ৱাশক্লিবা তৌশিন্নরিবা মীনম্লিবা, পোলিটিকেল পার্টি অমদগী অমদা চোঙলিবা, ওইজবতা থিরিবা অদুগা মখোয়গুম্বা কয়াগী মহী মচুম চারিবা কয়াগী উরিবা হার্দ রিএলিটি অদু নীংথিজনা ফোঙদোকপা ৱাহম্থোক য়াম্না লৈবা শৈরেংনি। খোইয়ুম লাইয়াম্না পাল্লিবা সনা লৈবাকসিদা মখোয়না তৌরিবা ফত্তবশিং অসিবু তৌহৈদে হায়বদু থিন্দুনা তাক্লি। লমদম অসিদা লৈরিবা মীপূম খুদিং লীক্লম কায়না চৎপা য়াদে। লাই লম্লানবসু য়াদে। অফবা খক ওইদে। অদুবু পাইরিবা ফিরালদি লাই লম্লানবা ওইরে। অদুনা লৈবাক ৱাবনি হায়বা মিৎয়েংদা পুশিল্লক্তুনা ইরকপনি শৈরেং অসিমক।

কবিনা হায়রক্লিবসি য়েংবীয়ু, *"মীতৌ তম্বদা তুং থংবা হৈতে/মীৱা চাবদা ওকপা কৌবা লৈতে/ লম্লানবগী খূদোম্বীনা লৈদুনা পুবদা/মথোই-কানা মায়থোঙ মকা লামজৈ/মনাৎ-মশিন মূথৎপদা চোকথবা কাউই/ঙমখৈ ৱাংমগী নুংশিৎ য়ৌরকপা খুদিং/মথুম-মরাং হৌনা খেরাং-থাংই/খোঙগী খোঙথাং/হকচাংগী শাথেক/চীন্দোন-লৈতোনগী চীনফেন/নাপলগী লৈতেং ফূদোংই/...সনা-লৈবাক্কী লাই হরাউপুঙদা/তাইরেন-মসানা কনবীদে খঙবশিং/খঙনা-খঙনা লাই লম্লাল্লি/পান্থা খুদিং ফিমায় শিল্লি/লালাঙবা চৈখোক্কী ফিরাল/ফিমায় কয়া নপশিন্দুনা শেম্বা/ফিমায় লোঙবা ফিরাল/হাই-হুমদুনা শান্নে..."* (লা: ৮৫)

উমংশিংগী ৱাকৎতা ইদবা ঙমদ্রবা শৈরেংনি 'ঙসিগী হৈপাল' *"মপাল মউ ৱাং চাউবা/মসা মরেং য়াম্না শনবা/অপাকপা মনা পূঙনা পানবা/মপাল চবূন-চবূন শাৎপা/মহৈ চরোং-চরোং পানবা/খোয়থুম্বা মহাও পীবা/তিঙ্খং পান্দবা হৈপালশিং/মরূ ফুক্তুনা হুমদোকপীখ্রে... হৈখোঙদা তাহৌবা মরূ খজিক/শোল্লী-শোল্লী মতোল থিনগৎচবা/তনৌ-তনৌরিঙৈ/ফোয়দৎ-চিংথৎপীরি/তাইবঙপান শেবাৎপশিংগী নুংশি হৈতবা খূৎনা..."* (লা: ৮৯) অফবা পাউতাক য়াম্না পীগনবা মীওইবনা মহৌশা খূৎশেম্বুদি ফনবা তৌবগী মহুত্তা মাঙনবা তৌবনা হেল্লি হায়বসি অইবনা ফোঙদোক্লিংলি। অহৈ অপা য়াম্না শাবদা পশিং থোকপা হায়বদু হেক হেক তাদুনা লাক্লি। মহৌশাগী খল কায়দনা জিব পানবা পূম্নমক্লা নুংঙাইনা লৈবদা মতেং ওইরম্বা, নুংশিৎ-নুংশা শেংহল্লিবা, তুরেল লাইজ কয়াগী ঈহৌরকফম ওইরিবা উমংশিং কোকথোকপনা পুরক্লিবা অমাঙ অতা কয়াবু উরুবদা ইদবা ঙমদে মসিদি খরা হেনমল্লে হায়না। অদুগা মতাং অসিদা য়াম্না ফজরবা আইরোনিদা মীওইবগী হৌজিক ওইরক্লিবা মীপায়নীংঙাই ওইরবা পূন্সি মহিং অদু তেন্তকপা শৈরেংগী পন্দুপ্তা অসুম্না ইরক্লি, *"মাঙদা উরিবা হৈপালশিং/তিঙ্খং পাল্লি/মসা থোংদে/মনা পান্দে/মপাল শাৎলি/মহৈদি য়ান্দে/মরাদি য়াম্না চৎলি"* য়াম্না শক্তি লৈবা ৱাহৈশিংনি। মীওইববু তিঙ্খং পানবা অদুগা মনাদি পান্দবা, মপালদি শাৎলগা মহৈদি পান্দবা উপাল ওইনা য়েক্লি। মীওইবগী ঙসি ঙসি ওইরিবা পূন্সিনি ফোঙদোক্লিবসি। হৌরক্লিবা মীরোলদা মীওইবগী ভেল্যু মাঙশিল্লক্লবা, মেকানিকেল লাইফকী মশক, মেটরিএল ওইবা পোৎশক্তা হেন্না মিকাবা অদুগা মহৌশাদগী লাপথোক্লা লৈরবা পূন্সি ওইনা হিংবদা ৱাহম্থোক লৈত্রবা মশক অমা উৎলি। হেক থংনবা শৈরেংসিমক্কী পন্দুপ্তা হৌখ্রবা নুংঙাইরবা নুংশিরবা মতম অদুবু অমুক তকসি শোঞ্জনা ইরক্লি, *"অদুঙৈ - পান্থা কয়াগী থৌগলদা/মীৎকুপ কাংদনা কপয়াং তপয়াংলম্বা ঐখোয়গী লমায়..."* লমায় অদু ঙসিদি উবা ফংদ্রে হায়রক্লি। শারবা লৈঙোই লম ওন্থোরক্লি। য়েন্নিং পান্থা, নোংজু পান্থা অসিগুম্বা পান্থা কয়াগী খোঙচৎ অসি মীওইবনা করাম চাউবা হেনবনা পূম্নমক কায়থহল্লক্লি হায়বসিদা নুংনাংবা, নুংঙাইতবা থম্মোয়গী পেঞ্জদবা কয়াদু ফোঙদোক্লক্লি।

লম্লেন লমদম য়াইরিপোক মিঙ্গৌখিবগী নুংশিরবা হৌরক ৱারী, চীংঙু মতিক চাউবা মহাক্কী সাইওন লাংওনগী ৱারীসু শৈথারি 'য়াইরিপোক' মিংথোনবা শৈরেংদা অসুম্না, *"তাউরোইনাই লাই-নামুংবা লাই নামুংবী/অনীগী মমোমলোই/মখূৎ থুম-লৈমনি/লুতোন-শল্লাং মচা অমবু/মালেম তাইনা শমথাবা/মতিক ময়াই অথোইবনা/মীৎকুপ খরগী ৱাংলেন্দা/হৈমুন ফাবা য়াই-হৈবী চরোং পানহল্লি/খোয়দাজবা মথংলেন নোংপোক্কীদমক/চীন্দম-খূদোল ওইহল্লি/তম্ফা-ৱাঙম মহাক্কী/মতিক-ময়াইনা মিংথোন-মিংলেন ওইবী/লম্লেন লমদম্নি।"* (লা: ৯৭)

হৌখিবা মতমগী ফিজং মরুমদা চংশিন্দুনা তাবুনুংদা লৈখ্রবা ফজরবা লমদম অসিগী শক্তম, খুনাইলোনগী মশক, নেসনেলিজমগী ইহুল, কলচর অমসুং ত্রেদিসনগী ওইবা মশক অদু কায়দনা চৎহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লি। তুং কোয়না খুন্নাই অসিদা মতিং লৈনা লৈনবা লাইৱাগুম্লবা ৱাহৈ কয়া য়াওরি। পূন্না লাইরিক অসিদা শৈরেং ৬১ য়াওরি। ফজবা কয়াসু থেংনবীগনি। ময়ামসু পাবীয়ু।

*- তোংব্রম অমরজিৎ*

# 'চোঙখিদ্রবা থাবল'

মঙাও থীবা লৈকায় হায়তারে। লৈকায়গী, ক্লবকী নহারোলশিংনা শিন্দুনা মণিপুরদা অহানবা ওইহনগে হায়দুনা ঐখোয় লৈকায় ক্লবকী সেক্রেটরি জেমসনা য়াওশঙ স্পোর্টসকী মাইকতা লাউথোরকই, 'পাখং-লৈশাবী ওইরিঙৈদা, মমা-মপানা চেকশিল্লিনি হায়দুনা থাবল চোঙলক্তবা নুপী নৎত্রগা লৈশা-পাখং, ইকায়নরিনি হায়দনা মায় শোনবা-মায় শোনবী ওইখিবা, লাইরিক্তা হোৎনদুনা মপান থোক্লক্তবা, লৈকায়গী অচৌ-অশাং ওইরসু য়াই। তৌবতবু য়াওনীংবা মীনা শেলদি খায়গদবনি, অদুগা মশাগী চহীনা নুপা ওইরগনা চহী ৫০গী মথক, নুপী ওইরগনা চহী ৪৫গী মথক ওইগদবনি"। লৈকায়গী মীপূম খুদিং মুসুক-মুসুক ঙাঙনরে, ক্লবনা শিনগদবা হন্দক্কী থাবলসিদি কুম্মৈ ওইদৌরি, য়েংহৌদবা য়াদে...।

থাবলগী পাউদু মাইকতা হৌনা লাউথোরকপদা খুরা মায়পাক মমিৎ লাউথোক্লগা মুন্না তাই। নীংশিংলকখি মানা অঙাং ওইরিঙৈ, মানা ঙাওজবা নুপী অমনা থাবল চোঙফমদা পায়গে হায়রুবদা য়ারকখিদবা... ঙসিদি মশাগী চহী ৬৫ শুরফাওবা কাউবা ঙমদে। নুপী অদুদি অতৈ কনাসু নত্তে মখারোমগী ইনে থাজনি। মাসু মপুরোইবা লৈখিদ্রে, খুরা মায়পাকসু নুপী লৈখিদ্রে। অঙাং ওইরিঙৈদা থাবল চোঙফমদা ইকায়বা পীখিবদুগী অমুক্তং শেংদোক্লে খন্দুনা লৈরকপা চহী ৫০ মুক শুরক্লবনি। ইনে থাজনসু হন্দক্কী তাঞ্জা অসিদা মোই তাদা মায়পাক য়াওরক্লদি ঐসু চোঙবা য়াওগে খনখ্রে। শাগৎচরুই ইনে থাজনা মঙলান অমা। শোমদনা খুরা মায়পাক্লা করি খল্লি, ঐবু ইকায়বা পীখিবা থাজ নঙ য়াওরদি চোঙখাইগে। অসুম্না ৱাখলনা মঙলান শাগৎলে। থাজদু হনুথংসিদা মখুদাংদু অমুক্তংদি পায়দুনা চোঙখাইগে।

থাবল চোঙবগী নুমিৎতু য়ৌরে, নুমিদাংৱাইরম পুমলাং লাংনৈ। ঙন্না-ঙন্না চাক চাথোক্লে যূমথোঙ খুদিং, থাবলদু য়েংহৌদবা য়াদে হায়দুনা।

ইশুশিংনা তম্লে -ইধৌ থাবল চোঙবা হৌহৌদৌরে, ধোন থিনবা হৌহৌরে।



অদুবু লাইবক্তা তম্লমদবা হায়বসিসু অমনি।

কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মালেমদা য়াম্না য়াঙনা শন্দোরক্লিবসিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা লৈঙাক্কী অকনবা ওর্দর অমনা পুলিস ময়াম অমা লাক্লগা থাবলদো থুগাইখ্রে। ইনে থাজ অমসুং খুরা মায়পাক নোংম-নীনিদি উংদুনা লৈনখি হায়। (কোভিদ লাল্লক্তা ইখিবা)

*-আর কে বুধিমন্ত কর্তা*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৪

১) **"নুংশি লমন"** (২০১৬) হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

২) **"মেরা থাগী শনারৈ"** হায়না মিংথোনবা ঈশৈ শৈরেংগী লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৩) **"নুংশিরবী পোক্লমদম**
**নথানুংদা হিংলিবা মহিংসিবু**
**করি মহিং কৌবগে?"**
শৈরেং মতেক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপা করম্বা শৈরেংনো?

৪) **"পূন্সিগী মহাও"** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো? অইবগী মমিং করি কৌবগে?

৫) **"দা. কমল : লাইফ এন্দ ভিজন"** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদগী ইংগ্রাজিদা কনানা ত্রান্সলেট তৌবগে? লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবা কনানো ?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৯, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।